# কাউন্সিলগী ওনলাইন ইনরোলমেন্ট সিষ্টেম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ২৫ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরদা লৈরিবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী মরক্তা অমসুং কাউন্সিলগা স্কুলশিংগগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নবা মরী অমা লৈননবা অদুগা মতম চানা ঈ-পাউ ফাওনবা ঙন্নবগী পান দমগা লোয়ননা মহৈরোইশিংনা ফোর্ম অমদি অতৈ সার্টিফিকেটনচিংবা চে-চাং তাহ্নোকপদা হেন্না খুদোং চাননবা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরিগী ওনলাইন ইনরোলমেন্ট সিষ্টেম অমা এদুকেসন মিনিষ্টর শ্রী টিঐচ রাধেশ্যামনা হাংদোকখ্রে।

ওনলাইন সিষ্টেম অদু কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (কোসেম) না শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তনা চথরকপা পোজিসন হোল্ডর মহৈরোইশিংবু সার্টিফিকেট অমসুং শেলগী মনা পীবগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি এম এস এফ দি এস ওদিটোরিয়মদা ২২ অমসুং ২৩ শুবা (২০১৮-২০১৯) চহীগী মনা য়েহ্নোকপগী থৌরম অমদা হাংদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যাম সিংহ, এদুকেস (এস) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দাইরেক্তর টিঐচ কিরনকুমার সিংহ, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরগী চেয়ার্মেন এল মহেন্দ্র সিংহনা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৪ দগী নবেম্বর ৩০ ফাওবা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মফম কয়াদা নুমিৎ হুন্নি-হুন্নি চত্থখিবা স্কুল ওজাশিংবু ত্রেনিং পীবগী থৌরম অদুদা য়াওখিবা ওজা অমদি প্রিন্সিপালশিংগী সার্টিফিকেটসু য়েহ্নোকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৮ অমসুং হন দক চহী ২০১৯ দা কাউন্সিলনা লৌবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসনদা লৈঙাক অসিগী ওইনা পোজিসন হোল্ডর পুথোকখিবা সি সি হায়র সেকেন্দরি, জে নষ্টৈন হায়র সেকেন্দরি, ইবোতোনসনা হায়র সেকেন্দরি অমসুং টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপালশিংসু তরান্না ওকপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা হায়, অঙাংশিংনা মশাগী ক্রেটিভিটি পুথোকপদা ওজাশিংগী থৌদাং চাউই। ওজানা তকপা খক্তমক মহৈরোইশিংনা এগজামিনেসনদা ইরকপগী মহুত্ত মহৈরোইনা অপান্বা মওং দা ইহনগদবনি।

অঙাংশিংদা য়াওরিবা পোটেন্সিয়েলশিং অসিবু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীবা অসিদা ওজা অমসুং মমা-মপাগী থৌদাং য়াম্না লৈ। মার্ক ফংবা খক্তনা অফবা নত্তে মরম অসিনা মহৈরোইশিংবু মখোয়না পামজবা টেলেন্টদা চৎহন্দুনা লমদম অসিবু চাউখৎপদা মতেং পাঙবা ঙমহনগদবনি। লোয়ননা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা নুপী খক্তা তম্বা গভর্ণমেন্টশিংগী মনুংদা টি জি হায়র সেকেন্দরিনা পাস চাদা ৯২ য়ৌদুনা রেকোর্দ থমখিবা অসিদা অপেনবা অমগা লোয়ননা তুংদা হেন্না অফবা ওইরসনু হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# মণিপুরগী ক্বাটাদা মেদিকেল তম্নবা খল্লবা মীতোপ কাউন্সিল্লিং য়াওহনবা য়ারোই ঃ কে এস এ

ইম্ফাল,জুলাই ২৫ (এস এন এস)ঃ

নোর্থ ইষ্টর্ন ইন্দিরা গান্ধী রিজনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ হেল্‌থ এন্দ মেদিকেল সাইন্সেস ( নৈগ্রিমস), সিল্লোংদা মেদিকেল তম্নবগীদমক্তা মণিপুরগী ক্বাটাদা রাজস্থান মচা অমা খল্লম্লে হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন (কে এস এ) গী জেনরেল সেক্রেটরী সেরাম হেমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্না খুয়াথোংদা লৈবা কে এস এ গী হেদ ওফিসতা পাউমীসিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখিবনি। মহক্না মখা তানা হায়, রাজস্থানদগী গৌরব পরেক অপোকপগী মিংনা রেন্দ্র পরেক কৌবা মীওই অসি ইনষ্টিট্যুট অসিনা খনগৎলবা মহৈরোয়শিংগী লিষ্ট থোরকপদা য়াওরকখিবনি।

ইনষ্টিট্যুট অসিগী প্রোসিদুরগী মতুং ইন্না ইনষ্টিট্যুট অসিদা মেদিকেল তমগে হায়রবদি অৱাং নোংপোক্তা চহী ৮ লৈবগী দেমোসাইন পায়বা মীওই ওইগদবনি। অদুবু অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওইসু নত্তবা রাজস্থান মচা অসিনা কমদৌনা মণিপুরদা দোমিসাইন সার্টিফিকেট পায়রগা ইজামিনসেন থারল্লিবনো। দোমিসাইন পীরল্লবা ওথোরিটি অদু কুপ্না থিগৎতুনা পুথোকপিয়ু অমদি জুলাই ২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কাউন্সিল্লিং অসিদা হায়রিবা মীওই অসি য়াওহন্দনবা মণিপুর লৈঙাক্না লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎপিয়ু হায়না মহাক্না আপিল তৌখি।

# প্রিন্সিপালগী রুমদা মহৈরোইশিং থোমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫(এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্টগী য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা ময়াই লম্বী কোলেজগী মহৈরোইশিংগী এদমিসন তৌবদা কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী সেক্রেটরীশিংনা অশাবা বেঙ্ক চল্লান শিজিন্নদুনা মহৈরোই ৭০০ হেনবদা নমথাক তৌরম্বগী ৱাথোক চাওথোরক্তুনা প্রিন্সিপাল রুমদা থোমজিনখ্রে। ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ঙসি সেক্রেটরীশিংনা নমথাক তৌরম্বদগী এময়ু না রিজেক্ট তৌরক্লবা মহৈরোইশিংনা প্রিন্সিপালদা সেক্রেটরীশিংগা পাউ ফাওনবিদুনা মখোয়গী কেরিয়রর মাঙদনবা শীনবিয়ু হায়না তকশিনখি। মহৈরোইশিংগী ইরাং অদু ৱাঙ্গৈই পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা মতম চানা লাক্তুনা কন্ট্রোল তৌখি।

ঙসিগী খোঙজং অদুগা মরী লৈননা মহৈরোইশিংনা ফোঙদোরকপদা, কোলেজ অসিগী হৌজিক ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী সেক্রেটরী পায়বা মীওই ৮ অমদি মখোয়গী তুং ইনবা খুৎপু অমনা হন্দক চত্থরিবা থৌওং অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। অসিগুম্বা থৌওং অসিদা চেন্নরিবা মীপুম খুদিংমক চৈরাক পীয়ু। মহৈরোইশিংগী কেরিয়রসু মাংদনবা থৌরাং পায়খৎলু হায়খি।

নাকল অমরোমদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ৱাই বিহারিনা পাউ চে অসিদা ফোঙদোকখিবদা, কোলেজ ওথোরিটিগী মায়কৈদগী মখোয়গী ওইনা হন্দক্কী এদমিসন অসি য়াম্না নিয়ম চুম্না পাঙথোকখি। হৌজিক ৱাথোক ওইরিবা মহৈরোইশিং অসি মহৈরোই মশানা বেঙ্কত চৎলগা এদমিসন তৌদবীদা অতোপ্পা মীদা মহুৎ তৌহল্লুবদগী ওইরকপনি। অদুবু কোলেজ ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ইসু অসি লুম্না লৌদুনা মহৈরোইশিংগী কেরিয়র মাংহন দনবা হোৎনবগা লোয়ননা ৱাথোক অসি থিগৎপগী থবকসু চত্থরি। তঙাই ফদ্রবদি লিগেল ওইবা এক্সন লৌখৎনবা হোৎরি হায়খি।

# নুমিৎ নীনি চত্থগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫(এস এন এস)ঃ

রুপ তোপ সোল্লর গ্রিদ ইঞ্জিনিয়ার ফোর য়ুটিলিটি ওফিসার হায়বা হিরম অসিদা নুমিৎ নীনি চত্থগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নেলিট), ইম্ফালনা শীন্দুনা অকাম্পাৎতা লৈবা ইনষ্টিট্যুট অসিগী কনভরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা নেলিট ইম্ফালগী ইগজিক্যুটিব দাইরেক্তর টি ঐচ প্রমেশ্বোরনা ফোঙদোকখিবদা, সোল্লর অসি হৌজিক্কী মীরোল অসিগী তঙাই ফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎশক অমা ওইরক্লে। মসি মীপুম খুদিংনা চাওখৎপা খুন্নাই অমা ওইননবা হোৎনবদা শিজিন্নবা তঙাই ফদে। সোল্লর গ্রিদ ইঞ্জিনিয়ারগী য়ুটিলিটি ওফিসারশিংগী মরক্তা অমগা অমগা মতেং পাংনবনা মনিরেদানা কুম ২০২২ ফাওবদা ষ্টেট অসিদা সোল্লরদগী মৈ মেগাৱাট ৫০ পুথোক্লবা পান্দম থম্লিবা অসিদা মতেং ওইগনি। য়ুটিলিটি ওফিসারশিং অসিগী মতেং য়াওদ্রগদি ষ্টেট অসিনা থম্লিবা পান্দম অসি ফঙবা ঙম্লোইদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোন অসিদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

ষ্টেট অসিগী মীপুম খুদিংমক্না সোল্লর গ্রিদ কনেক্সন অসি তৌরবদি মৈগী বিল থিবগী মায়োক্নরিবা অৱাবা অদু কোকহনবা ঙমগনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্না সোল্লর ইনর্জিনা পীরিবা কান্নবা অসি লৌমীন্নসি হায়খি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সি) গী মখাদা লৈরিবা বিল্ডিং বাই লো অসিদা ২০১৯ দগী অনৌবা শাগদবা বিল্ডিং খুদিংমক্কী মথক্তা গ্রিদ কনেক্টেট সোল্লর ইনর্জি পৱার প্লান অমমম ইনষ্টোল তৌহনবা অসি য়াম্নমক তঙাই ফন্দবা অমা ওইহনবগী খোঙথাং অমা লৈঙল্না লৌখৎহন্নিংই। মসি নৎত্রগদি এম এস পি দি সি এল, এম এস পি সি এল অমদি মনিরেদনা হোৎনরিবশিং অরেম্বা তগনি।

ঙসিদগী হৌরিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা থবক অমা তম্লবদি মখা তমথদ্রবসু য়ারে হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা মপুং ফানা খঙ হৈরবা ইঞ্জিনিয়ারশিংনা শরুক য়াবসি থাগৎনিঙাইনি। হিরম অসিগা মরী লৈনবা ষ্টেক হোল্ডরশিংনা পুন্না চৎমীন্নবা হোৎনবদা ঙসিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিনা মতেং ওইরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জে ই আর সি গী হান্নগী চিয়ারমেন এন শ্যামসুন্দর অমসুং মনিরেদগী দাইরেক্তর এল মংলেমসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# অনৌবা নাকো এ আর টি গী টেক্নিকেল গাইদলাইনশিং পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫(এস এন এস)ঃ

দি দিপার্টমেন্ট ওফ মেদিকেল এন্দ সেন্টর এফ এক্সসিলেন্স , এ আর টি সেন্টর, রিমস, ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি "কনটিন্যুইং মেদিকেল ইদুকেসন (সি এম ই) গী নাকো এ আর টি টেক্নিকেল গাইদলাইন" নৌনা লাওথোকপগী থৌরম অমা রিমসকী মিনি ওদিটোরিয়ম, লেকচর হোল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগদা ষ্টরিং কম্মিটি, সেন্টর ওফ এক্সসিলেন্স, এ আর টি সেন্টর অমসুং রিমসকী দাইরেক্তর অমদি চিয়ারমেন প্রোফেসার এ, শান্ত সিংহনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর এস এ সি এস কী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর এ রধাবিনোদ শর্ম্মা (আই এ এস) না প্রসিদেন্ট অমসুং রিমস হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসার সি ঐচ অরুনকুমার সিংহ, য়ু দব্লিউ -টেককী দাইরেক্তর ডা. অনৱার প্রভেজ অমসুং সি দব্লিউ সি পব্লিক হেল্‌থ স্পেসিয়েলিষ্ট ডা. রেশু অগরৱালনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# লুপা ক্রোর ১ গী হেরোইন ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫(এস এন এস)ঃ

মেঘালয়াগী ইষ্ট খাসি হিল পুলিসকী এন্টি নার্কোটিক টাক্স ফোর্সনা মণিপুরগী নুপী অমদগী কৈথেলগী মমলদা লুপা ক্রোর ১ য়ৌগদবা হেরোইন গ্রাম ৫২৯ ফারে হায়রি।

ইষ্ট খাসি হিলসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ক্লাউদিয়া লেংৱানা হায়, মণিপুরদগী মদনরতিং কৌবী চহী ৪৯ লোম শুরবী নুপী অসি মহাক্কী ভারাগী য়ুমদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা হেরোইনশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। লোনা য়াদবা পোৎশিং অদু সাপোলগী কেপ ৩৯ দা হাপ্লগা থমলম্লনি। মহাকপু লোকেল কোর্ট অমনা নুমিৎ ১৪ নিগী ওইনা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

এস পি অদুনা হায় নৌনা শেমগৎখ্রবা এন্টি নার্কোটিক টাক্স ফোর্সনা দ্রগকী সপ্লাই লাইনদা হেন্না মীৎয়েং থম্লি। সপ্লাই লাইন অসি লাকশিনবা ঙম্লবদি ষ্টেট অসিদা দ্রগ চাবগী ৱাথোক অসি লাকশিনবা ঙমগনি।

ষ্টেট অসিদা ফঙবা রেকোর্দ অমগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা শিংলিদা দ্রগ কাপ্পা মীওই লিশিং ১১ রোম লৈ

# বোর্দিংদা মহৈরোই নুপীমচা অমা লৈখিদবগী মায়োক্তা মহৈরোই কয়ানা হ্যুমেন চেন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ২৫ (এস এন এস)ঃ

ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস সভেন তম্লিবী মহৈরোই নুপীমচা অমা স্কুল অসিগী বোর্দিংদা থৌরি য়ান্দুনা লৈখিদবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মীশি অসিগী অতাংদা অচুম্বা ৱায়েল চত্থদুনা মীহাৎপা পুথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা কাঞ্চিপুর মায়কৈদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংনা ঙসি কাঞ্চিপুর লম্বীদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

মীশি অসিগী অচুম্বা ৱায়েল চত্থদুনা মীহাৎপা পুথোক্লবা দিমান্দ তৌদুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা মহৈরোইশিং অদুদি আই এস ও আর, দিনেশ্বোরি হায়র সেকেন্দরি, টেম্পল ওফ লারনিং, ইম্ফাল পব্লিক স্কুল, সোফিয়া হায় স্কুল অমসুং পেরাদাইস একাদমিগী মহৈরোইশিংনি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা অপুনবা ইরৈবাক মহৈরোয় শিনফম লূপ (এ আই এম এস) কী ভাইস প্রসিদেন্ট সাইখোম প্রেমচান্দনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস সভেন তম্লিবী মহৈরোই নুপীমচা অমা স্কুল অসিগী বোর্দিংদা থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লিবা অসি য়াম্না চিংনিঙাই ওইবা মীশিনি। মীশি অসিগী অচুম্বা ৱায়েল লৈঙাক্না অথুবা মতমদা পুথোক্লবা হোৎনবিয়ু। করিগুম্বা লৈঙাক্না মীশি অসিগী অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্তবা তারগদি এ আই এম এস কী মায়কৈদগী অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈ। লোয়ননা জে এ সি না চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা শৌগৎকনি। লৈখিদ্রবী নুপীমচা অসিগা বোর্দিংগী কা অমত্তদা লৈমীন্নরিবী মহৈরোইশিং অমসুং মমা মপাশিংনা মীশি অসিগী মতাংদা ঙসি ফাওবা পেন্দবা, য়ানিংদবা অমত্তা ফোঙদোক্তবা অসি নুংঙাইজদে হায়খি।

নাকল অমরোমদা মীশি অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি মীশি অসিগী অচুম্বা ৱায়েল খঙহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা কিয়্যামগৈ ময়াই লৈকাই, কিয়্যামগৈ খোইরোম লৈকাই অমসুং কিয়্যামগৈ মমাঙ লৈকাইগী অপুনবা মৈরা পায়বীশিংনা কিয়্যামগৈ ময়াই লৈকাইদা লৈবা খাগী বাজারদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী কিয়্যামগৈ ময়াই লৈকাই মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরী পাতেশোরিনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা জুলাইগী ১৮ দা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল কাঞ্চিপুরদা ক্লাস সভেন তম্লিবী মহৈরোয় নুপীমচা অমা স্কুল অসিগী বোর্দিংদা থৌরি য়ান্দুনা শিখিবনি হায়বা থৌদোক অদু য়াম্না নুংঙাইতে। ৱাখল মপুং ফাদ্রিবী পিক্লিবী অঙাং অসিনা মতৌ করম্না মশা মতোমতা থৌরি য়ান্দুনা শিজগদৌরিবনো? মীশি অসি কনাগুম্বা খরনা লৌতুনরগা চত্থবা ওইরমগনি হায়বসি মৈরা পায়বী লূপ অহুম অসিনা চপ চানা চিংনবা ফাওই। মীশি অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না অথুবা মতমগী মনুংদা অচুম্বা ৱায়েল চত্থদুনা মীহাৎপা পুথোক্ত্রবদি মৈরা পায়বী লূপ অহুম অসিনা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়খি।

# অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎপা মথৌ তাই ঃদেসাম

ইম্ফাল, জুলাই ২৫(এস এন এস)ঃ

লমদম অসিদা লানহৌপু য়াম্বদা নত্তনা মহৈরোই লূপ অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংসু অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে। অদুবু লৈবাক্কী ওইবা ইসুশিংদা লন্নাইগী ওইবা মীৎয়েং থাদোক্তুনা অপুনবগী পাঙ্গল অমা শাগৎপা মথৌ তাই। অদুতদা তাল্লিবা পান্দমশিং অমদি অচুম্বা ৱাখলশিং ফঙ্গনি হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী প্রসিদেন্ট সলাম অকাসনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্না মোইরাং লৈরক্তা লৈবা দেসাম ময়াই লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, পোলিটিসিয়ানশিংনসু মখোয়গী অতোংবা মীৎয়েংদগী য়েংলগা মমৈ মকোক শম্নদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা চমন্নবা পোকহনবা অমদি মীয়ামগীদমক্তা লৈরিবা লূপ অমদি মীয়ামগা শেৎনা খাইহন্নবা শিনবা খক্তা নত্তনা ইহৌ অমবু লান্না চৎখিনবা খক হোৎরোইদবনি।

চয়োল অমা হেন্না চপ চাবা লংলা লংজিন ফঙবা ঙমদনা লৈখিবসি ইচল বেবিসনাগী মীশি অসি অথুবা মতমদা অচুম্বা মপুং ফবা ময়েক ৱায়েল অমা পুথোক্লবা লৈঙাক্তা অমুক্কসু হন্না হকচিনবা ৱাফম থম্লি।

মীশি অসিগী মতাংদা জে এ সিনা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবা চংশিল্লকপা থবক খুদিংদা দেসাম্না শরুক য়াদুনা লাক্লি। মখা তানসু য়াখিগনি। জে এ সি না লৌরকপা ফিরেপশিংদা হেন্না পাঙ্গল হাপ্নবগীদমক দেসামনা শেম শাদুনা লৈরি।

পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীসি অসিগী চপ চাবা লংলা লংজিন পুথোক্তুনা মীয়ামদা লৈরিবা চিংনবা অসি কোকহল্লু অমদি ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী অৱাবা অসি কোকহনবিগদবনি।

ঙসি ফাওবদা বোর্দিং, হোষ্টেলশিংদা মহৈরোয় শিবা, মহৈরোয়শিংদা চহীগা চান্নদবা পর্নিসমেন্ট পীবগী লৈবাক ৱাথোক ওইখিসি অনৌবা ৱাফম ওইদ্রে হায়বসি লৈঙাক্না খঙলগা মহৈরোইশিংগী ইন্টরেষ্টতা থবক পায়খৎপা মতম ওইরে হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# মহৈরোইশিংনা এম ঐচ আর সিদা থোমজিনখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ২৫ (এস এন এস)ঃ

লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা লম্লাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অৱাৎ-অপাশিং লৈঙাক্না য়েংশিনবীদবগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়দুনা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা লম্ফেলদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইট কম্মিসনগী কমপ্লেক্সতা থোমজিন্দুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

এস এস য়ু এম অমসুং লম্লাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোইশিংগী কাঙবু অমনা কম্মিসনদা থোমজিনখিবা অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদি এস এস য়ু এমগী সেক্রেটরী জেনরেল এল বুশননা হায়, লম্লাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মণিপুর লৈঙাক্না ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী মহৈরোইশিংবু মিং চনহল্লগা লাইরিক তাকপীদবা অৱাৎপা ওজা অমদি দরকার লৈবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং পীবিদবা হায়বসি রাইট টু এদুকেসন মৎপনি। মসিনা মরম ওইরগা কম্মিসননা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙদুনা মহৈরোইশিংগী ফংফম থোকপা রাইট টু এদুকেসন চপ চাবা হক অদু ফংহন্নবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়দুনা খোঙজং অসি চঙশিনবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা কম্মিসনগী এক্টিং চেয়ারপার্সনদা মেমোরেন্দ অমসু সম্মিট তৌরম্লে। কম্মিসনগী মায়কৈদগীসু হীরম অসিগী মখাদা কেস অমা লৌখৎতুনা এদুকেসন (এস) কী কম্মিস্নারদা চয়োল অনীগী মনুংদা রিপোর্ট পীরক্লবা খঙহনখ্রে।

এস এস য়ু এমগী সেক্রেটরীনা মখা তানা হায়, হৌজিক লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংদা ওজা অৱাৎপা লৈরিবশিং অসি এস এস য়ু এমনা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি। কুমজা ২০১৬ দগী হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমা ওইনা অপগ্রেদ তৌখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৮ দগী লম্লাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস ইলভেল অমদি টুৱেল্বকী সেসন হৌখ্রবনি অদুবু ঙসি ফাওবা হায়র সেকেন্দরি তাকপীনবা ওজা অমত্তা থাবীরক্ত্রি।

এস এস য়ু এমনা লম্নাই ওইনা ওজা ৩ নেক্তুনা ক্লাস ইলভেল অমদি টুৱেল্বতা ক্লাস লৌহনবগী থবক তৌরি। ওজা ৱাৎপনা মহৈ তম্বা ফংদ্রিবা মহৈরোইশিংনা, লৈকাইনা অমদি অহল-লমনশিংনা এস এস য়ু এমদা পাউপীবিয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মফম কয়াদা কার্গিল বিজয় দিবস নীংশিংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫(এস এন এস)ঃ

২০ শুবা কার্গিল বিজয় দিবসকা মরী লৈননা থৌবাল বট্টালিয়ন অসাম রাইফসনা "নো য়োর আর্মি মেলা" বট্টালিয়ান অসিগী ফুন্দ্রেদা লৈবা হেদ ক্বাটরদা পাঙথোকখ্রে।

খোংজোম ইংলিশ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াবা থৌরম অদুদা মপুং ওইনা আর্মিগী মরমদা উৎপা ফিল্মশিং অমদি আর্মিগী মতাংদা খঙহনবা মোটিভেন্নেল লেকচররসু পীখি। তুংদা ইন্দিয়ান আর্মিনা লানদা শিজিন্নখিবা খুৎশু খুৎলাই কয়াসু মহৈরোইশিংদা য়েংহনবগা লোয়ননা মদুগী মরমদসু খঙহনখি । লৈবাক্কীদমক থৱাই কৎথোকখ্রবা আর্মিশিংগী ফোটোশিং অমদি দোক্যুমেন্ট কয়াসু উৎখি। কার্গিল লান্দা পরম বীর চক্রা অমদি মহা বীর চক্রা ফঙবশিংসু মহৈরোইশিংদা উৎখি। হায়রিবা লান অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরী মচাশিংসু মহৈরোইশিংদা খঙহনখি।

নাকল অমরোমদা, কার্গিল বিজয় বিদস অসিবু নীংশিংদুনা রিমসতা আর্মি কয়ানা ব্লদ দোনেসনসু তৌখি।

# ফ্রি কী-হোল সর্জরি পাঙথোক্কনিঃ অরুনকুমার

ইম্ফাল, জুলাই ২৫(এস এন এস)ঃ

রিজনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) গী দাইরেক্তরগী মীৎয়েং মখাদা লাক্কদৌরিবা আগষ্ট ১০ অমদি ১১ দা গোল ব্লেদর ৱিক হায়না মীংথোন্দুনা ফ্রি কি -হোল সর্জর পাঙথোক্কনি হায়রি।

ঙসি রিমসগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাউমীশিংগা অখন্নবা উন্নবদা রিমসগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট চোংথাম অরুনকুমারনা হায়, রিমসকী হান্না লৈজবা পীন হোল সর্জরিগী খুৎলাইগী মথক্তা অনৌবা মখলগী খুৎলাই অনী অমগা লৈদুনা মতিক চাবা খুৎলাইশিং অসিগা লোয়ননা গোল ব্লেদর ৱিক অসি লাইফ ওপরেটিব ৱার্কসোপ কী -হোল সর্জরি ওন গোল ব্লেদর হায়নসু মীংথোন্দুনা রিমসকী এক্সপার্ট সার্জনশিংনা সর্জরি পাঙথোক্কনি। ফ্রি ওফ চার্জতা তৌগদৌরিবা গোল ব্লেদর ৱিক অসিদা সর্জি তৌগদবা পেসেন্টশিং অদু তোঙান তোঙানবা সর্জরি য়ুনিট তরুক্তা হান্না ও পি দি দা রেজিষ্টার তৌখ্রবা পেসেন্টশিংনা মাগী মাগী কনসল দাক্তরশিংদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনগদবনি ঃ এম পি পি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫(এস এন এস)ঃ

ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ক্লাস সভেন খক্তা তম্লিবী মহৈরোয় নুপীমচা এন বেবিসনা লৈখিদবগী থৌদোক অসি মণিপুর পিপলস পার্টিনা কন্দেম তৌই। মীশি অসিগী মতাংদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনবিয়ু হায়না এম পি পি গী প্রসিদেন্ট ওইনাম জুগিন্দ্রোনা দিমান্দ তৌরক্লি।

পোলো গ্রাউন্দ মনিংদা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাক্না হায়, মহৈরোই নুপীমচা অমা লৈখিদবা অসিগী মতাংদা পার্টি অসিনা কুপ্না য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি। লৈবাক ৱাথোক ওইদ্রিঙৈদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক সিনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্কদ্রা হায়দুনা এম পি পি না ঙাইদুনা লৈরকপনি। অদুবু মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সি না বন্দ কৌবা য়াওনা হকচিনবা খোঙথাং কয়া লৌরক্লবা ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীশি অসিগী মতাংদা তুমীন্না লৈবা অসি এম পি পি না তুমীন্না লৈবা চুমদ্রে হায়বা ৱাখল্লোন্দা পার্টি অসিগী ৱাফম প্রেসকী খুখাংদা থম্বনি। জে এ সি গী খোঙজংদা এম পি পি না মপুং ফানা শৌগৎকনি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অসিগী য়ুমগী অৱাবদা পার্টি অসিনা শরুক য়ারি। মহৈরোই নুপীমচা অসি মতৌ করম্না শিখিবনো হায়বা ৱাফম লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা পুথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

# মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ তরেৎ লৌরেঃ এমসু

ইম্ফাল, জুলাই ২৫(এস এন এস)ঃ

ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস সেভেন তম্লিবী মহৈরোই নুপীমচা অমা বোর্দিংদা চিংননিঙাই ওইবা মওং দা শিরগা লৈরম্বা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা হোষ্টেল অদুদা লৈরিবশিংগী মমা-মপা, মৈরা পায়বী অমদি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন(এমসু)গা পুল্লগা মীফম অমা ঙসি খুম্নোকহনবী শঙলেনদা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ ৭ লৌরে হায়রি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী বিপিনচন্দ্রনা হায়খিবদা, এমসুনা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী বোর্দিংগী হোষ্টেলরশিংগী পেরেন্টশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংগা পুল্লগা ঙসি মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ ৭ লৌরে। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা য়াওরিবশিং দি অহানবদা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুল ওথোরিটিনা হোষ্টেল অমদি বোর্দিংগী রুল এন্দ রিগুলেসন অমদি মহৈরোইশিংদা পীরিবা ফেসিলিটি অমসুং চেকশিং থৌরাংশিং লৈবাক মীয়ামদা খঙহনগদবনি।

অনীশুবদা, এন বেবিসনা চনু মীশিগী মতাংদা লংলা-লংজিল পুথেক্লবা হোৎনবদা গার্জিয়ান অমসুং পেরেন্টশিংনা ইভেষ্টিগেসন এজেন্সিশিং দা কোর্পোরেসন পীবা। অহুমশুবদা, এন বেবিসনাগী মীশিদা চেন্নরিবা মীওইশিং পুথোক্ত্রিফাওবা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট স্কুলগী হোষ্টেলদা মহৈরোইশিং থমদবা। মরিশুবদা মণিপুর প্রাইভেট স্কুল (রেজিষ্টেসন এন্দ রিগুলেসন) এক্ট, ২০১৭ মণিপুর গভর্ণমেন্ট অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা তকশিনবা য়াওরি।

# দ্রগকা কোন্নবা মীওই...

*লমায় ১গী মখা* অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা চপ-চাবা পাউ অমা ফংবদগী নাবনা থবক ওইনা লৌখৎপদা দ্রগ লল্লোনবা মীওই অমা হিরোইন পাউদর গ্রাম ৫৮০গা কোন্নবা টিদিম লম্বীগী ক্বাকৈথেল পুলিস আউটপোষ্ট মনাক্তগী ফারে। ফারবা মীওই অদুদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে ৱার্দ নম্বর ২দগী এম থাংশোনমুং জৌ (৪৬) অপোকপা হাংখোকম জৌনি হায়রি। মহাক্কী মথক্তা নাব পি এসনা কেস অমা লৌখত্তুনা থিজিনবা হৌরে হায়রি।

অতোপ্পা অমদনা, ঙসি অয়ুক পুং ৭ রোম তাবা মতমদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস টিম অমনা কালৈখোং থোং মনাক লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবীদা লৈবা এম দি মুজিবুর (৩৮) অপোকপা এম দি সলাউদিন হায়রিবা মীওই অসিগী য়ুমদা থিবা হুম্বা চত্থবদা এস পি কেপ্সুল ৮৫৩ ফংবদগী মীওই অসি ফারগা লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

# বেবিসনা মীশিগী...

*লমায় ১গী মখা* মতুংদা পুলিস কষ্টদিদা ঙসি ফাওবা থমলকখিবনি।

কোর্টনা পুলিসনা কেস অসিগী মতাংদা থিগৎখিবগী রিপোর্ট অমা থম্লবা মতুংদা অমদি পুথোরক্লিবা পোৎ চৈশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱার্দেন অনী অসিবু নুমিৎ ১ নিগী ওইনা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থম্নবা ওর্দর পীখিবনি।

# ঐচ রঞ্জিৎ: মপু খঙহন্দনা ট্রন্সপোর্টরস এন্দ ড্রাইভরস ...

*লমায় ১গী মখা* ... মীওই ২০ না শাবা মেম্বর লিষ্ট অমা য়াওরগা রেজিষ্ট্রার ওফ কো-ওপরেটিভ সোসাইতিদা রেজিষ্টার তৌনবা হোৎনরম্বা থেংনরে।

মমাঙদা চহী অসিগী জুন ৪ দা ত্রেদ য়ুনিয়নদা রেজিষ্টার তৌনবা হোৎনরম্বা অদুদা মেম্বর ওইনা লৈশিন্নরগা মার্চ থাদা কো-ওপরেটিভ সোসাইতিদা রেজিষ্টার তৌনবা থাবা চেরোলদনা মহাক্না কনভেনর ওইনা থারম্বা থেংনখি। ত্রেদ য়ুনিয়নদা রেজিষ্টার তৌবা অদুদনা মহাক্কী ওফিস অসি কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই হায়না ইরম্বনি অদুগা কো-ওপরেটিভ সোসাইতিদা রেজিষ্টার তৌনবা হোৎনবা অদুদনা ওফিস এদ্রেস অসি ক্বাকৈথেল হৈনৌখোঙনেম্বী থোকচোম লৈকাই হায়না থারমখি।

রেজিষ্টার তৌবা মতমদা মিং য়াওরিবা মীওইশিং অদুদি কনভেনর ক্বাকৈথেল হৈনৌখোঙনেম্বী থোকচোম লৈকাইদগী লাইশ্রম রতন খুমন, শামোম গঙ্গা, কোম্হৌজম ময়ায় লৈকাই প্রসিদেন্ট, নিউ কৈথেলমানবীদগী ফিজম কুমার মৈতৈ ভাইস প্রসিদেন্ট, খুরাই থাংজম লৈকাইদগী নিংথৌজম সোমেন সিংহন সেক্রেটরী, কোম্হৌজমদগী ব্রোজেন্দ্রো কোম্হৌজম এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী খাবি বমদিয়ারদগী লাইশ্রম রঞ্জিৎ ত্রেজরর, মেম্বরশিংদা ঙাইরোং ভিলেজদগী মাঙতে নিংথৌ কোইরেং, খোঙমন জোন ফোরদগী শন্দুরাম টিকেন মৈতৈ য়াওরি।

মসিগী মথক্তা অতৈ মেম্বরশিংগী মনুংদা ললাম্বুং মখোঙ তখেল্লম্বম লৈকাইদগী সাইখোম অরুনকুমার, ককৱা নাউরেম লৈকাইদগী ক্ষেত্রিময়ুম সঞ্জয় সিংহ, লৈকাই অদুদগী ওক্রম আশাকুমার সিংহ, নম্বোল কোংখামদগী লাইতোঞ্জম মোচা, মালোম অৱাং লৈকাইদগী লাইশ্রম প্রিয়োবত্তা সিংহ, ক্বাকৈথেলদগী লাইশ্রম সঞ্জিৎ সিংহ, ক্বাকৈথেল হৈনৌখোঙনেম্বী থোকচোম লৈকাইদগী লাইশ্রম চন্দ্রকুমার খুমন, থাঙ্গলৱায়দগী অসেম ভগিরোট সিংহ, কৈরাও ৱাংখেম মমাঙ লৈকাইদগী সৈলেবম নাগেশ্বর, লৈকাই অদুমক্তদগী সৈলেবম ইমোয়াইমা, ক্বাক্তাদগী ফিরোজ খান অমসুং অন্দ্রো সনাপাৎতগী হিজম সুরেন্দ্রকুমার য়াওরি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হান্না লৈজরিবা রেজিষ্টার সোসাইতি ময়ামগী অপুনবা বোদি অমা ওইরিবা টি দি সিগী মিংচৎ থিহন্নবা থৌওং অমা চত্থরম্বনি।

হায়রিবা মীওই ২০ অসি মীনুংশিগা লোয়ননা ঙসিদগী নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা টি দি সিগী এম জি এভেন্যুদা লৈরিবা ওফিসতা লাক্লগা শেঙদোক্লদ্রবদি অমসুং করি মরমগীদমক লূপ অসি শারগা রেজিষ্টার তৌনবা হোৎনরিবনো হায়বদুগী মরম পীরদ্রবদি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদদা লৌখৎখিবা অদুগুম্না লম্ফেল পি এসদা ৱাকৎপগা লোয়ননা কেস অমা রেজিষ্টার তৌনবা শেম শারে হায়খি।

রতননা চত্থরল্লিবা থবক অসি লৈবাক মচা তাদবা, মীয়ামদা নমথাক তৌবা অমনি অমদি টি দি সিবু উশিৎ থৌওইদবনি। মহাক্না চত্থরিবা থবক অসিগী লমন চপ চানা খুম্বা ঙম্মী অদুবু মণিপুরী মচা অমা ওইনা আইনগী ওইবা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনবনি। মসি থেংদনা টি দি সিনা মায় লৈদুনা চেনগদবা লৈতে হায়খি।

মরম অসিনা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা রতন মশামক্না অমসুং মহাক্না লোয়ননা চৎমিন্নরিবা মীওইশিংনা লাল্লে হায়বা ৱাফম টি দি সিদা থমগদবনি। মদু তৌদবা তারবদি মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবা শেম শাবা লোইরে হায়খি।

# থা ১০ গী এরিয়র অথুবা মতমদা পীথোকউ ঃ এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, জুলাই ২৫(এস এন এস)ঃ

মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট, মণিপুরগী ইমপ্লোয়শিংগী ৱাৎহৌবা থা ১০ গী এরিয়র অথুবা মতমদা পীথোকউ হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী ইমপ্লোয়শিংনা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা দিপার্টমেন্টদা মখা তানা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম দিজমনি সিংহনা হায়, আর ও পি - ১০ (সিক্স পে) গী মতুং ইন্না দিপার্টমেন্ট অসিগী ইমপ্লোয়দা থা ২৪ গী এরিয়া পীয়ু হায়বা ৱাফম লৈ।

মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়শিংদা ৭ শুবা পে পীনবগী ওর্দর থোকখ্রবা ফাওবদা সিক্স পেগী মতুং ইন্না পীফম থোকপা থা ২৫ গী এরিয়রগী মনুংদা শুপ্নতগী থা ১৫ খক্কী এরিয়র পীরি। ৱাৎহৌবা থা ১০ গী এরিয়র অসি অথুবা মতমদা পীথোকউ হায়দুনা ৱাকৎ মীফম অসি ফম্বনি।

চৎলিবা চহী অসিগী ফাইনান্সিয়েল ইয়র মমাঙদা ৱাৎহৌবা থা ১০ গী এরিয়র অসি পীথোকউ হায়দুনা এসোসিয়েসন অসিনা ঙসি ফাওবা কন্না তকশিন্দুনা লাকপনি।

মহাক্না হায়, মাইর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টগী সেক্রেটরী অমদি চীফ ইঞ্জিনিয়ারনা লৈঙাক্কী মহুৎ শিল্লগা এসোসিয়েসন অসিদা ৱাৎহৌবা এরিয়র অদু চহী অসিগী এপ্রিলদা পীরগে হায়দুনা থাজবা পীখিবা লৈ। এপ্রিল থাদা পীবিবদি লাইরদনা মে থাদসু হায়রিবা এরিয়র অদু পীবিখিদে।

মাইর ইরিগেসনগী সেক্রেটরী অমদি চীফ ইঞ্জিনিয়ারনা এসোসিয়েসনদা পীখিবা থাজবা অদু থবক্তা ওহ্নোকপিরক্তবদগী এসোসিয়েসননা অমক্কসু চেইদুনা ৱাৎহৌবা এরিয়র অদু জুন থাদা পীবিনবা হায়জখি।

মদুগী মখা তাবদা, ৱাৎহৌবা এরিয়র অদু জুলাই ১০ ফাওবদা শোয়দনা পীরগে হায়দুনা অনীশুবা ওইনা থাজবা পীরকখি। জুলাই ১০ দসু এরিয়া অসি পীথোক্তবদগী এসোসিয়েসন অসিনা নুমিৎ অসিদগী সিট ইন প্রোটেষ্ট চত্থবা হৌবনি।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নোংমতিক চানা চুদবদগী ইকং থোকপগী মওংদা লৈবনা মরম ওইরগা লৌমীশিংদি অৱাবা মায়োক্নরিবা মতমনি। অৱাবা অসি য়েংলগা দিপার্টমেন্ট অসিগী ফিল্ডদা লৈবা ষ্টাফশিংদি সিট ইন প্রোটেষ্ট অসিদা য়াওহনদবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রেস্পোন্স অমত্তা পিরক্তবা, দিলেয় টেক্নিত তৌবা, ৱাৎহৌবা এরিয়র পীথোকপগী মমি অমত্তা উদবা অসিনা মরম ওইরগা জুলাই ২৫ দগী খোঙজং অসি হেন্না কনশিনবনি। এসোসিয়েসন অসিনা লুচিংদুনা মখল মখাগী খোঙজংশিং চঙশিন্নবা শেম শারে। জুলাই ১০ দগীদি দিপার্টমেন্ট অসি পেরেলাইজ তৌবগা পাংখক ওইরবনি। সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অসিগী মথক্তা মখল মখাগী খোঙজংশিং চংশিন্নবা শেম শারে হায়রি। লৈবাক অসিগী লৌমী শিন্নীশিং অমসুং অতৈ দিপার্টমেন্টগী মীওইশিংনসু খোঙজং অসিদা সপোর্ট তৌবিনবা আপিল তৌরক্লি।

# হাট্টাগী দুকান চাদ ৪০ হেনবদি সোপ লাইসেন্স ...

*লমায় ১গী মখা*...এম সিনা থবক লৌখৎকনি হায়বা ৱাফম থমখি।

মদুদা ইমা লুচিংবীশিং অদুনা মদু অমোৎ অকায় হুন্দোকফম ওইদনবা ময়ামগী পোৎ থম্ফম ওইনা শিজিন্নবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুগী মতাংদা ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নার কে চন্দ্রকুমারনা হায়, ঙসি অসি মপুং ওইনা ইমা কৈথেলদা নুপাশিং ফমজিনবা, পোৎ থাংদোক্লগা য়োনবনচিংবা চত্থরিবা অসি তৌহন্দনবা ড্রাইভ অমা চত্থবনি। লোয়ননা টিম অমনা সোপ লাইসেন্স পায়ব্রা পায়দ্রা হায়বদু হট্টাদা চক্তুনা য়েংশিনলি হায়খি।

ঙসি ইমা কৈথেলগী ষ্টৈয়োরদা পোৎ য়োনবা অসি আই এম সিনা অয়াবা পীদে। মীওই খরনা হেক্তা য়ান্নরগা চৎন কাঙলোনগী ৱাংমদা ফমজিল্লম্বনি। মদু আই এম সিনা লৌথোক্লম্লে। মখা তানা মদুদা মী পোৎ য়োনবা থিংলগনি।

মমাঙদা ইমা কৈথেল অহুম অসিদা নুপা ফম্বা য়ারোই হায়না ওর্দরসু থোকপা লৈখ্রবনি। লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অহুমগী ওফিস ওইরম্বা অদু হৌজিক্তি লৌথোকখ্রে। ঙকথেলগী মরক্তা পোৎচৈ থাংবগী মিংদা গোদাউনগী মওংদা পোৎ পৈশিল্লগা নুপাশিং চংবা অসি য়ারিবমখৈ চংহন্দনবা চেক তৌবনি। মখা তানা চেক তৌখিগনি। আই এম সিগী এনফোর্সমেন্ট টিম থারগা মসি মখা তানা চত্থখিগনি। লোয়ননা কৈথেল মোৎশিনবা থিংনবগী থবকসু চংশিনখিগনি হায়খি।

ফুট পাঠতা পোৎ থাংদোক্লগা য়োনলিবশিং অসি ঙসিমক লৌথোকপীরো। মসি কুরিগুম্বা লৌথোক্তবা তারবদি পুলিসকী মতেং লৌরগা হয়েংমক্তগী লৌথোকপা হৌরগনি হায়না খঙহনলম্লে।

দুকান ফম্লিবশিংনা পোৎ থাংদোক্লগা য়োনলিবা অসিসু লৌখৎপা হৌরগনি। লোয়ননা সোপ লাইসেন্স পায়দনা হোটেল দুকানচিংবা তৌরিবা ময়াম অসি চয়োল অমগী মনুংদা মশানা রেজিষ্টার তৌদবা তারবদি মখোয়সু ফাগৎপা হৌরগনি। লোয়ননা লোগী মতুংইন্না সিজ তৌগনি হায়খি।

ড্রাইভ অসি চাং নাইনা তৌবা ঙমদবা অসি মীগী অৱাৎপা লৈবা, ওফিসিয়েলশিং ওফিসকী থবকশিং চিনবা অমসুং অথুবা থবক লাকপনা মরম ওইরগা চাং নাইনা তৌবা ঙমদবনি। অদুবু এনফোর্সমেন্ট টিমদি অদুমক চেক তৌরিবনি হায়খি।

অমরোমদা হাট্টাদা চত্থখিবা দুকানশিং সোপ লাইসেন্স পায়ব্রা হায়বা য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা চাউরাক্না দুকান চাদ ৪০ হেনবগী সোপ লাইসেন্স পায়রমদবা থেংনখি।

ঙসি আই এম সিগী ফুদ ইন্সপেক্টর এল রুপেন্দ্রনা লুচিংবা টিম অমনা হাট্টা এরিয়াদা লৈরিবা দুকানশিংদা হকথেংননা চক্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা দুকানশিং অদু আই এম সিগী সোপ লাইসেন্স য়াওব্রা য়াওদ্রবা হায়বনচিংবা য়েংশিনখি। ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা মুপু অমত্তগী দুকানশিংগী মনুংদা দুকান অমদা লাইসেন্স পায়রগা অতোপ্পা দুকান অমদি লাইসেন্স পায়রমদবা থেংনখি। দুকানশিংগী মনুংদা চাদ ৪০ হেনবদি সোপ লাইসেন্স পায়রমদবা কয়া ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা থেংনরকখি।

খোঙচৎ অদুগী মতাংদা রুপেন্দ্রনা পাউমীশিংদা হায়, মাহুদ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা আই এম সিগী এরিয়াদা লৈরিবা দুকানশিং অসিদা অহানবা ওইনা দুকানগী লাইসেন্স পায়নবা অমসুং থিদোকফম থোকপা তেক্স থিদোক্লবা দুকান মপুশিংদা খঙহন্নবা লাকপনি। ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অসিগী মতুংদা করিগুম্বা লাইসেন্স পায়দনা দুকান ফম্লম্বা তারবদি দুকান থিংজিনবনচিংবা য়াওনা মখা তাবা এক্সন লৌখৎলক্কনি হায়খি।

ঙসি চত্থরিবা অসিগা লোয়ননা খোঙথাং অসি ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা অদুমক চত্থরবসু অতোপ্পা কৈথেলশিং লম্লোং, কোংবা য়াওনা আই এম সিগী মনুং চনবা মফমশিংদা ড্রাইভ অসি মখা চত্থখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।